## এদিটৌরিয়েল

### ঐখোয়সিবু নুপীলালগী থৌনা

# ফরবী ইমাশিং অদুগী মচানি হায়বদা লেপ্লিব্রা

ঐখোয়গী পুৱারি হঙ্গৎনা য়েংবদা হৌখিবা চহী ১৯০৪ অমসুং ১৯৩৯ দা থোকখিবা অহানবা অমসুং অনি শুবা নুপীলাল কৈদৌঙৈদসু কাওথোকপা য়ারোই। পুৱারিগী তাঙ্কক অনিদা থোকখিবা নুপীলাল লোইলম শ দাকপদা হালেংবা  লৈত্রবা মালেমদা নুমিৎ তাদে হায়নরিবা বৃটিশনা লমদম অসিদা থোক্লিবা চেং মপানদা থাদোক্তুনা খুৎশেমগী চাক তাংবা থোকহন্নবা শিল্লকখিবা লাল্লোং অদুগী মায়োক্তা চত্থখিবা ঙাক্তনি। মীওইবগী ৱাখল মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদ্রবা বৃটিশকী নোংমৈ অমদি সঙ্গিনশিংগা মায়োক্লদুনা শোক্লখিবা অদুগুম্বা নুপীলাল অদুবু নীংশিংদুনা ঙসিগী মীরোলনা চহী খুদিংগী দিসেম্বর ১২ অসি নুপীলাল নীংশিং থৌরম হায়না পালন পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু পালন অসি পাঙথোকপগী মপুং ওইবা ৱাহঙ্হোক অদু ফংলব্রা? ঐখোয় অসিবু অদুগুম্বা থৌনা ফরবা ইমাশিং অদুগী মচা-মশুনি হায়বদা লেপ্লিব্রা হায়বসি  মমুৎ তানা নৈনবা চংই। চুম্নখক্কী ইমাশিং  অদুনা শোক্লখিবা নুপীলান অদুবু নীংশিংদুনা পালন থৌরম পাঙথোকপনদি মসিগী ৱাহঙ্হোক অদু লৈরোই। হেন্না মরুওইরিবদি লোইলম শন্দোকপা বৃটিশকী মায়োক্তা থৌনা ফরবী ইমাশিং অদুনা ঐখোয়গী হক কঞ্জনবা, খুন্নাই কঞ্জনবা অমসুং শেন্মীৎলোন কঞ্জনবা হৌখিবা ঈহৌ অদুমক ঙসিগী মীরোল অসিনা হৌবা ঙমদ্রিবা  অসি করি মরমগীনো হায়বা নৈনবা মথৌ তারি। লোইলম শন্দোকপা বৃটিশকী মখুৎতগী মনিং-মখা তল্লকখ্রবা মণিপুর ভারতকী ফিবান্নুংদা তিল্লুবদগী হিরম খুদিংমক্তা মীখা পোনদুনা তুরোই ঙাম্লোই তৌরবা ফিভম অমদা লৈরি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্লা নীংশিংদবগুম তৌরি। মতম অদুদনা বৃটিশনা লমদম অসিগী চেং মপানদা থাদোকপগী মায়োক্তা হৌখিবা ঈহৌনি। অদুগা হৌজিক্লা লমদম অসিগী চেং মপানদা থাদোকপদি লাইরদনা মপানদগী চেং থাজিল্লত্ত্রবদি চরা হেন্দুনা শিবগী ফিভম অমা ঙসিগী খুন্নাই অসিনা মায়োক্লরিবনি। ফিভম অসিদা অহুম শুবা নুপীলাল অমগী তঙাইফদবা অদু লৈরবসু লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা পুন্না অমত্তা  ওইনা মত মান্ননা ঈহৌ চংশিনমিন্নবগী মহুৎতা ভারতকী দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিনা ঐখোয় মশেল তিন্নবা য়াদনা খাইবুং খাইবুং তানা থমদুনা উংখৎনহন্দুনা অমনা অমবু মরাল শিন্নদুনা কাংলুপকী ওইবা লাল থোক্লবা শিল্লিবা অসি হান্না খঙমিন্নদুনা অপুনবগী ঈহৌ অমা শাগৎনবা হোৎনহৌদ্রবদি নোংমদি লমদম অসিগী মীওইশিং মরমদমদা রিফ্যুজি ওইদুনা চাক্লি ফিনিবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা হায়বা অসি শোইদ্রবনি।

নুপীলালগী থৌনা ফরবী ইমাশিংগী মতিক-মগুন ৱাংনা থাংগৎপা নত্রগা মখোয়বু লৈখা তাহনবা হায়বসি ঙসিগী মচা-মশু ওইরিবা ঐখোয়না তৌরিবা থবক থৌরমশিং অদুগী মখা পোনগদৌরিবনি। থৌনা ফরবী ইমাশিং অদুগী খুদুং ইন্নবা ঙসিগী নুপী খুন্নাইনা হোৎনবগী মহুৎতা দ্রগ অমসুং ময়াই কাবা নিশা কয়া ললোনবগী থবক্তা থৱায় য়াওশিল্লক্লিবা অসিসু ইমাশিং অদুবু লৈখা তাহন্নবা হোৎনবতা নত্তনা সোসাইটি অসি মাংনবগী মরম অমা ওইরিবনি। অসিগুম্বশিং অসি পুন্না খঙমিন্নদুনা জাৎ কাংলুপ খায়দনা ঐখোয়গী খুন্নাইবু কন্নবা ইরমদমগী নুপী ওইবীশিংনা মহৌশা চৎনবীনা পীরিবা থৌদাংশিংগী মথক্তা  য়েক্লবা মশক খঙদোক্তুনা অনৌবা লানফম কয়া শোক্লবা মথৌ তারে।  ঐখোয়গী হক কঞ্জনবা, মান্নবা খুন্নাই অমদি শেন্মীৎলোনগী হক কঞ্জনবা ঙসিগী ওইরিবা খুন্নাই অসিগী ফিভম অসিদা ঐখোয় করি তৌগদগে, ফিভম অসি করম্না ওইরকপনো হায়বদু মমুৎ তানা নৈনদুনা থৌনা ফরবী ইমাশিং অদুগী খুদুং ইনদুনা  অপুনবগী পাঙ্গল অমা  শাগৎমিন্নদুনা পুন্না থেংনমিন্নবা মতম য়ৌরে।

Naharolgi Thoudang